## বি জে পি লীদর ইন্দিপেন্দেন্ট দিরেক্টর হাপখ্রে

গুৱাহাটি, নভেম্বর ১২ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা অসামগী দুব্রি দিষ্ট্রিক্টকী বি জে পিগী সিনিয়র লুচিংবা বিমল ওসৱালবু বোর্দ ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন ইলেক্ট্রিক পাৱর কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঈ ঈ পি সী ও)গী ইন্দি-পেন্দেন্ট দিরেক্টর হাপখ্রে।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ পাৱরনা ইস্যু তৌখিবা ওর্দর অমনা হায়, এ ঈ ঈ পি সী ওগী আর্টিকলস ওফ এসোসিএসনগী আর্টিল ৭৫না পীরিবা পাৱর শীজিন্নদুনা প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা বিমল ওসৱালবু চহী অহুমগী ওইনা এ ঈ ঈ পি সী ওগী বোর্দকী নন-ওফিসল ইন্দিপেন্দেন্ট দিরেক্টর ওইনা খল্লে।

আর্টিকলস ওফ এসোসিএসন্স অদুগী মতুং ইন্না বিমল ওসৱালবু নন-ওফিসল ইন্দিপেন্দেন্ট দিরেক্টর ওইনা হাপ্লিবসি প্রসি-দেন্টকী অপাম্বগী মতুং ইন্ননি অমসুং মতম মতমগী ওইনা প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লেপ্লকপা টর্ম এন্দ কন্দিসনশিং এপো-ইন্টমেন্ট অসিদা চৎগনি হায়না ওর্দর অদুদা পনখি।

# সুপ্রিম কোর্টনা ৱার্নিং তৌখ্রবা মতুংদা আর্মিনা নুপী ওফিসরশিং পর্মিনেন্ট কম্মিসন পীবা য়ারে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১২ (এজেন্সী):
সুপ্রিম কোর্টনা ৱার্নিং পীখ্রবা মতুংদা আর্মিনা নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা ইলিজিবল নুপী ওফিসর ১১দা পর্মিনেন্ট কম্মিসন পীবগী ৱাফম য়াখ্রে। এপেক্স কোর্টকী জজমেন্ট মতুং ইন্না টোপ কোর্ট অসিদা মুভ তৌখিদবা ক্রাইটরিয়া শুবা নুপী ওফিসরশিংদসু পর্মিনেন্ট কম্মিসন পীরগনি।

জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমসুং জষ্টিস এ এস বোপান্নাগী বেঞ্চ অমনা ওর্দর অদুদা হায়, নুপী ওফিসর ১১ নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা পি সী পীগনি। সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎপা তৌদবা ক্রাইটরিয়া শুবা নুপী ওফিসরশিংসু চয়োল অহুমগী মনুংদা পি সী পীরগনি।

ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা বেঞ্চ অসিনা আর্মিদা ৱার্নিং পীরদুনা মখোয়গী ওর্দর মতুং ইন্না নুপী ওফিসরশিংদা পি সী পীদবা তারবদি কনটেম্পকী মরাল লৈরে হায়না লৌগনি হায়খি। মদুদা আর্মিগী কাউন্সেলনা ইলিজিবল নুপীশিংদা পি সী পীবগী ৱারেপ থুনা লৌরগনি হায়রদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ইন্সট্রক্সন লৌনবা মতম খরা পীবিনবা হায়জখি।

মেট্টর অদুগী মতুংদা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অসিনা ওর্দর দিটেক্ট তৌবা হৌরকপগা আর্মি রিপ্রজেন্ট তৌরিবা কাউন্সেলনা কোর্টতা হায়খি মদুদি টোপ কোর্ট অসিদা মুভ তৌখিবা ওফিসর ১১দা পি সী পীনবা আর্মিনা শেম শারে। আর্মিনা মসিগী ওথোরিটিদা সুপ্রিম ওইজরবসু কন্সটিট্যুসনল কোর্টসু সুপ্রিম ওই হায়না বেঞ্চ অসিনা মখা তানা হায়, কোর্টনা ঐখোয়দা মতম শাংনা পীখি। জজমেন্টতা য়াওরিবা ঐখোয়গী রিমার্কশিংদু এফিদেভিট অমা ফাইল তৌবা মতমদা নখোয়না তৌরিবশিংবু নীংথিনা পন্নবগীদমক্তনি।

লঞ্চ মতুংগী হীয়ারিংদা বেঞ্চ অসিনা হায়খি মদুদি, দিসিপ্লিনরি অমসুং ভিজিলেন্স প্রোসিদিংস লৈতবা ওফিসরশিংসু কোর্ট অসিগী জজমেন্ট মতুং ইন্না পি সীগীদমক ইলিজিবল ওইগনি। অপীবা ক্রাইটরিয়া মতুং ইন্না লেফটনেন্ট কর্নেল অনি অকান্সা শ্রিভাস্তাভা অমসুং হিমালিনি পন্টসু থা অমগী মনুংদা পি সী পীনবা খন্নগনি।

এ এস জি সঞ্জয় জেন অমসুং সিনিয়র এদভোকেট কোলোনেল আর বালাসুব্রামানিয়ননা সেন্টর অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স রিপ্রজেন্ট তৌখি। আর্মিনা ৱাফম অসিগী ৱারোইশিন থুনা পুরকপা পাম্মী হায়না মখোয়না কোর্টতা থমখি।

চহী অসিগী মার্চতা টোপ কোর্ট অসিনা জজমেন্ট অমদা নুপী ওফিসরশিংদা পি সী পীবগী মতাংদা আর্মিনা য়েংলিবা ইভাল্যুএসন ক্রাইটরিয়া অদু মরম চাদে হায়খ্রবনি। পি সী পীবদা নুপা ওফিসরশিংনা হেন্না লূম্না য়েংবা অসি অচান-মীরাই নাইবগী থৌওংনি হায়না টোপ কোর্ট অসিনা ওবজর্ভ তৌখিবনি।



# মালেম পূম্বনা পূন্না হোৎনমিন্নদুনা ক্লাইমেট চেঞ্জ থেংনগদবনি: ভুপেন্দর

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১২ (এজেন্সী):
ক্লাইমেট চেঞ্জ থেংননবা মালেম পূম্বনা ইস্যু মরি হায়বদি টেম্পরেচর, মিটিগেসন, ফাইনান্স অমসুং রেস্পোন্সিবিলিটিদা মীৎয়েং থল্লগা পূন্না থবক তৌমিন্নবা হৌগদবনি হায়না গ্লাসগোদা পাঙথোক্লিবা মরু ওইরবা সী ও পি ২৬ মীটতা য়ুনিয়ন ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ মিনিষ্টর ভুপেন্দর য়াদবনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু কেগী গ্লাসগোদা পাঙথোক্লিবা য়ুনাইটেদ নেসন্স ফ্রেমৱার্ক কনভেন্সন ওন ক্লাইমেট চেঞ্জগা মরী লৈনবা কনফরেন্স ওফ পার্টিদগী ২৮শুবা মীটিং (ইশম শম্না সী ও পি ২৬) অসি ওফিসল ওইনা ইরাই নুমিৎতা লোইশিনগদবা ওইরবসু ট্রেক রেকোর্দ মতুং ইন্না নিগোসিএসন অদু মথংগী নুমিৎ ফাওবা চত্থবা য়ানা লৈ।

মালেমগী শাবগী চাং ইন্দষ্ট্রি চাওখৎত্রিঙৈ মমাঙগী লেভেলশিংগা চাংদম্নবদা সেলসিয়স দিগ্রী ২গী মখা হায়বদি ঙন্নবদি সেলসিয়স দিগ্রী ১.৫দগী হেলহন্দবগী পান্দম থমখিবা পেরিস এগ্রীমেন্টকী ৱাফমশিং মালেম পূম্বনা ঙাকপা মতম ওইরে হায়না য়াদবনা 'সী ও পি দাইরি' গী শরুক ওইনা মহাক্কী ব্লোকতা 'টাইম টু য়ুনাইট এগেনষ্ট ক্লাইমেট' হায়বা টাইটলগী মখাদা মহাক্কী ৱাখল ইখি।

য়াদবনা গ্লাসগোদা অয়ূক অঙনবা মতমদা মখা তারদুনা সী ও পি ২৬তা ক্লাইমেট চেঞ্জ থেংনবগী নিগোসিএসন অদু লৈনরিবা আইদিয়াশিং অমসুং ষ্ট্রেংথতা য়ূম্ফম ওইরগা কোওপরেসন পীনবা অমসুং অমগা অমগা ইকায় খুম্নবগী এটমোস্ফ্যের অমদা চত্থখি হায়নসু পনখি।

ইন্দিয়ানা ক্লাইমেট চেঞ্জ থেংনবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা শেম-শাদুনা লৈ হায়নসু য়াদবনা ফোঙদোকখি। অমরোমদা, মহাক্না চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা হৌজিক্কী ক্রাইসিস অসি মখোয়না থোকহনবনি হায়না নীংশিংখি।

পীক্লবসু, চাওরবসু লৈবাক অমত্তনা মথন্তা হোৎনদুনা প্লানেট অসিবু কনবা ঙম্লোই। অমগা অমগা কোওপরেসন পীনবগী ৱাখল্লোন্না লীচিং ওইরগা ইন্দিয়ানা মালেম পূম্বদা অঙন্বা চাংদা লৈবাক্কী অমসুং মালেমগী ওইবা তৌফম থোকপশিং তৌনবা আপীল তৌরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ইনাক খুল্লবা লৈবাকশিংনা ফোসিল ফ্যুএলশিং শীজিন্নদুনা ইন্দষ্ট্রিএলাইজেসনগী কান্নবশিং ঙন্না ফংখি অমসুং চহীচা কয়া মখোয়গী শেল-থুমগী ফিভম শেমগৎখি হায়না মিনিষ্টরনা মালেমগী ইনাক খুনবা লৈবাকশিংদা নীংশিংখি।



# তোলোব পীদবদগী দোক্টরশিংনা মতম কক্তনা ষ্ট্রাইক তৌগনি হায়না কিহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১২ (এজেন্সী):
থা অহুমগী তোলোব অমসুং দি এ পীদবগা মরী লৈননা দেল্লীগী হিন্দু রাও হোস্পিটালগী দোক্টরশিংনা নভেম্বর ১৮-দগী মতম কক্তনা ষ্ট্রাইক চত্থরগনি হায়না কিহনখ্রে।

নোর্থ দেল্লী ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা চল্লাইবা হোস্পিটাল অদুগী রেসিদেন্ট দোক্টরশিং হৌখিবা থা অহুম পেমেন্ট তৌরক্ত্রিবনি।

হোস্পিটাল অদুগী নর্সশিংনা হান্না প্রোটেষ্ট তৌখি। তোলোবকী ইস্যুশিংগা মরী লৈননা মখোয়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী নোংমা-তঙ্খায় থবক শুখি। নর্সশিংগী য়ুনিয়ননা অয়ূক পূং ৯দগী নুমিৎয়ুংবা মতুং পূংখায়গী মতম ফাওবা থবক লেপখ্রবনি।

মসিগী মমাঙদা নভেম্বর ১০দগী নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা তোলোব রিলীজ তৌনবা তকশিল্লদুনা রেসিদেন্ট দোক্টর্স এসোসিএসন (আর দি এ)না নভেম্বর ১১দগী পেন দাউন ষ্ট্রাইক লাউথোকখি। অদুম ওইনমক মেদিকেল সুরিন্টেন্দেন্টনা থাজবা পীবদগী অমসুং সিটি অসিদা দেঙ্গীগী কেস হেনগৎলকপা উবদগী দোক্টরশিংনা ষ্ট্রাইক য়ৈথোকখি।

অদুম ওইনমক, আর দি এ দোক্টরশিংনা এন এস এদা ইখিবা অনৌবা লেট্টর অমদা করিগুম্বা নভেম্বর ১৪গী নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা পন্দুনা লৈরকপা তোলোব অমসুং দি এ পীদবা তারবদি নভেম্বর ১৫, ১৬ অমসুং ১৭তা অয়ূক পূং ৯দগী নুমিৎয়ুংবা মতুং পূংখায়গী মতম ফাওবা পেন দাওন ষ্ট্রাইক চত্থগনি অমসুং নভেম্বর ১৮দগী মতম কক্তবা ষ্ট্রাইক চত্থগনি হায়না কিহনখি।

মসিগী মমাঙদা মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টতা ইখিবা লেট্টর অমদা আর দি এ দোক্টরশিংনা হায়খি মদুদি হৌজিক ফাওবা পন্দুনা লৈরক্লিবা ঐখোয়গী সেলরিশিং অমসুং দি এ নভেম্বর ১৪ নৎত্রগা মসিগী মমাঙদা রিলীজ তৌদবা তারবদি ঐখোয় নভেম্বর ১৫, ১৬ অমসুং ১৭তা অয়ূক পূং ৯দগী নুমিৎয়ুংবা মতুং পূংখায়গী মতম ফাওবা পেন দাওন ষ্ট্রাইক চত্থগনি হায়খ্রবা মতুংদা হৌজিক্তি নভেম্বর ১৮ শগোলশেন নুমিৎতগী মতম কক্তবা ষ্ট্রাইক চত্থরগনি হায়খি।

দোক্টরশিং, নর্সশিং অমসুং হোস্পিটাল এদমিনিষ্ট্রেসনগী মরক্তা তোলোব অমদি হীরম কয়াদা মুক্ক দুনা লৈবা অসিনা মরম ওইদুনা হোস্পিটাল অসিগী মরু ওইবা থবক থৌরম কয়াদা চাওনা চৈথেং নংখি।

ওপরেসন ঠীএটরসু মখা তানা থিংবগা লোয়ননা সর্জরি কয়া কেন্সেল তৌখ্রে। এম সী দিনা চল্লাইরিবা বেদ ৯৮০গী হিন্দু রাও হোস্পিটালগী নর্সশিংগী ফম চাদা ৫০ হেন্না হাঙদুনা লৈরি। দোক্টরশিংগী ফমসু মশিং য়াম্না হাঙদুনা লৈরি হায়রি।

# কাশ্মিরদা খূৎ থোক্লবদা হিজবুল কমান্দর য়াওনা টেররিষ্ট ২ হাৎখ্রে

শ্রীনগর, নভেম্বর ১২ (এজেন্সী):
সাওথ কাশ্মিরগী কুলগাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চৱালগম এরিয়াদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লবদা টেররিষ্ট অনী শিখ্রে অমসুং মখোয়গী মনুংদা অমদি হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী কমান্দরনি হায়বা খঙলে হায়না জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোরক্লি।

পুলিস ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, হিজবুল মুজাহিদিনগী দিষ্ট্রিক্ট কমান্দর সিরাজ মোলবি অমসুং য়ৱারভাট খূৎ থোক্লবদা শিখ্রে। সিরাজ হায়রিবা টেররিষ্ট অসি কুমজা ২০১৬তগী এক্টিভ ওইরকখি। মহাক নহা ওইরিবা মীওইশিংবু টেরর রেঙ্কশিংদা রিক্রুট তৌবা অমসুং মীচম হাৎপগী থৌদোক কয়া চৈন্নে। মসি ঐখোয়গী অচৌবা মায় পাকপনি হায়না কাশ্মিরগী আই জি পি বিজয়কুমারনা ফোঙদোরকখি।

নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অদু শগোলশেন নুমিৎতা পুলিস অমসুং আর্মিগী অপূনবা টিম অমনা এরিয়া অদু কোর্দন তৌদুনা থি-হুম্বগী ওপরেসন অমা চথরুবদা থোক্লকখিবনি। টেররিষ্ট কয়া মফম অদুদা লৈরে হায়বা অরোনবা থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী টিম অদুনা ওপরেসন অদু চত্থখিবনি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টেররিষ্ট লোৎলিবা মফম অদুদা চঙশিল্লুবা মতমদা মখোয়গী মায়কৈদগী জোইন্ট টিম অদুদা অতৎ অখম লৈতনা নোংমৈ কাপথোরকখি। মদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খূৎ হনবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লখিবনি।

চৈরকসিদা শ্রীনগরদা খূৎ থোক্ল বগী থৌদোক্তা হাৎখিবা টেররিষ্ট অমা সুইসাইদ বোম্বরনি হায়না জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসনা ইরাই নুমিৎতা ক্লেম তৌখ্রে। অমির রিয়াজ কৌবা টেররিষ্ট অদু সাওথ কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতগীনি। মহাক টেররিষ্ট আওটফিট গাজৱাতু হিন্দগা মরী লৈনৈ।

টেররিষ্ট অসি কুমজা ২০১৯দা পুলৱামাদা চথখিবা শাথিরবা টেরর এটেকতা চেন্নবশিংগী মনুংদা অমগী মরী-মতানি। কাশ্মিরগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস বিজয় কুমারগী ৱারোল পল্লদুনা পুলিসনা ত্বিটরগী পোষ্টকী খূত্থাংদা হায়, শ্রীনগরদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তা হাৎখিবা টেররিষ্ট অদু খ্যু পুলৱামাদগী অমির রিয়াজ কৌবা অথিংবা থমখ্রবা আওটফিট মুজাহিদিন গাজৱাতুল হিন্দগী মেম্বর অমনি। মহাক লেফোরাদা চথখিবা টেরর এটেকতা চেন্নখিবা এক্যুজশিংগী মনুংদা অমগী মরী-মতানি। মঙোন্দা ফিদায়িন এটেক চত্থবগী থবক শিন্নখি।

পুলিসনা মখা তারদুনা, মফম অদুদা লোৎতুনা লৈরিবা টেররিষ্টশিং অদুদা অহানবদা সরেন্দর তৌনবা খঙহনখিবা লৈরবসু মখোয়না পুলিসকী ৱাফম অদুবু য়াখিদবগা লোয়ননা পুলিস অমসুং আর্মিগী জোইন্ট টিমদা নোংমৈ কাপ্লকখিবনি অমসুং জোইন্ট টিমনসু খূৎ হনবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।



## পুন্সি চুপ্পগী ফাদোক পীখ্রে

গান্ধী নগর, নভেম্বর ১২ (এজেন্সী):
গুজরাটকী সুরাটতা চহী ৪দা ঙাইহিরিবী অঙাং নুপীমচা অমা রেপ তৌবগীদমক্তা পোক্সো কোর্ট অমনা মশাগী চহী ৩৯ শুরবা শিদ্রি ফাওবা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে। ক্রাইম অদু থোকখিবা মতুং শুপ্নগী নুমিৎ ২৯নিগী মনুংদা পি ও সী এস কোর্টনা চৈরাক অদু পীখিবনি।

প্রকাশচন্দ্র কলাগী স্পেসল কোর্টনা শগোলশেন নুমিৎতা হানুমান নিশাদপু ওক্টোবর ১২দা চহী নৌরিবা নুপীমচা অদু রেপ তৌবগী মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখি। ভিক্টিম অদু ইন্দষ্ট্রিএল এরিয়া অমদা হুন্দোক্লম্নি। কোর্ট অসিনা অঙাং অদুগী ইমুংদা কম্পেন্সেসন লুপা লাখ ১৫ পীনবসু ওর্দর তৌখি।

ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না, নিশাদ মমাঙদা অদুগুম্বা ক্রিমিনেল ওফেন্স চত্থখিবগী রেকোর্দ লৈতে। চহী নৌরিবী মশা ঙাকথোকচবা ঙমজদবা নুপীমচাশিংদা অসিগুম্বা ক্রাইমশিং হেনগৎলক্লি।

নুপামচাশিং অসি চহী নৌমনবদগী মশা ঙাকথোকচবা ঙমদবা অসিনা মরম ওইদুনা অসিগুম্বা ওফেন্সশিং হেন্না লুহল্লি। ভিক্টিম অঙাং অসি পুন্সি চুপ্পা চৈথেং নংগদবা ওইবনা এক্যুজদা মীনুংশি উৎপনা সোসাইটিদা অরানবা মেসেজ পীগনি হায়না কোর্টনা ওবজর্ভ তৌখি।

## বহরেননা কোভেক্সিন এপ্রুভ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১২ (এজেন্সী):
নেসনল হেল্থ রেগ্যুলেটরি ওথোরিটি (এন ঐচ আর এ) ওফ বহরেননা ইরাই নুমিৎতা ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্দিজেন্নস কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ওইরিবা কোভেক্সিন ইমরজেন্সিদা শীজিন্নবা এপ্রুভ তৌখ্রে। হায়দরবাদতা লৈবা ফার্মা মেজর ভারত বাইওটেকনা শাবা কোভেক্সিন অসি এপ্রুভেল অসিগী মতুংদা বহরেনদা চহী ১৮ অমসুং মথক্কী মীওইশিংগীদমক ফংহল্লগনি।

# হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবা নুপামচা ১ ফূরুবা পুলিস ২ সস্পেন্দ তৌখ্রে

বরেল্লি, নভেম্বর ১২ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী বরেল্লিদা হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবা চহী ১৪গী নুপামচা অমা ফূখি হায়বা পুলিস কন্সটেবল অনী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

য়েৎ থংবা খূৎ ককখ্রবা নুপামচা অদু মহাক্কী মপাগা লোয়ননা ইমুং পুনবগীদমক ঙা য়োল্লি। মহাক্না হায়খি মদুদি, পুলিস কন্সটেবল অনী অদুনা মঙোন্দা লোনা য়াদবা থবক তৌই হায়রকখি। মখোয়গী ৱাফমদুদা মহাক্না য়াদবদগী মখোয়না মহাকপু ফূখিবনি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবা থৌদোক অদু সী সী কেমেরাদা রেকোর্দ তৌখি অমসুং থৌদোক অদুগী ভিদিও ক্লিপ অমা সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইখি। ভিদিও অদুদা পুলিস পর্সনল অনী অদুনা নুপামচা অদুবু অথিংবা পীবা অমসুং মদুগী মতুংদা মখোয়গী মনুংদগী অমনা মহাকপু খোঙপাক্না কাওবা অমদি অতোপ্পদুনা মহাকপু বেট্টননা কনবা উখি। নুপামচা অদু মতুং তাবদা কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর অমদা এদমিট তৌখি।

নুপামচা অসিগী মতুং ইন্না অহানবদা পুলিস কন্সটেবলশিং অদু মহাক্কী মনাক্তা লাকখি অমসুং মহাক্না লোনা য়াদবা মওংদা ঙা য়োল্লি হায়রকখি। মদুগী মতুংদা মখোয়না মঙোন্দা মখোয়গী থবক খরা তৌ হায়রকখি অমসুং মদুগীদমক্তা মখোয়না মঙোন্দা শ্যের অমা ওফর তৌরকখি।

এস এস সাজৱাননা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা কন্সটেবল অনী অদু ইস্যু খরগী মতাংদা নুপামচা অদুগা মরৈ য়েৎনখি। ঙাইহাক য়েৎনরবা মতুংদা মহাকপু চৈনা কনখিবনি। সর্কল ওফিসরনা মেট্টর অসি ইনভেষ্টিগেসন তৌদুনা নুমিৎতুদা চপ চানা করি থোকখিবগে হায়বা খঙদোক্লবা মতুংদা ঐখোয়না মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি।

# সলমান খুরসিদকী লাইরিক বেন তৌগনি কিহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১২ (এজেন্সী):
কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর সলমান খুরসিদনা অয়োধ্যা ভর্দিক্টকী মরমদা ইবা লাইরিক্কা চয়েৎনবা কয়া থোকহন্দুনা লৈরিঙৈ মরকসিদা মধ্য প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা লাইরিক অদু ষ্টেট অসিদা থিংগনি হায়না কিহনখ্রে।

মধ্য প্রদেশকী হোম মিনিষ্টর নারোতম মিশ্রানা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোরকখিবদা, হিন্দত্ববু আই এস আই এস অমসুং বোকো হরামগুম্বা রেদিকেল জিহাদি গ্রুপশিংগা চাংদম্নে হায়বগীদমক্তা 'সনরাইজ ওভর অয়োধ্যা: নেসনহূদ ইন অৱর টাইমস' কৌবা লাইরিক অসিবু বেন তৌননবা গভর্ণমেন্টনা খন্নরি।

ভোপালদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মিশ্রানা হায়খি মদুদি, লাইরিক অসিগী মতাংদা ঐখোয়না লিগেল এক্সপর্টশিংগী মোত লৌরগা মসিবু মধ্য প্রদেশতা থিংনবা হোৎনগনি।

হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর খুরসিদপু কন্না য়ানীংদবা উৎলদুনা বি জে পিগী মিনিষ্টর অসিনা হায়, অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা হিন্দত্ববু টার্গেট তৌনবা অমসুং কাষ্টতা য়ূম্ফম ওইরগা হিন্দুশিংবু মচোই মচোই তাহন্নবগী খুদোংচাবা অমত্তা মাঙহন্দনবা হোৎনরি। 'ভারত তেরে তুকরে হোঙ্গে ইন্সালা'গী মতুংদা রাহুল গান্ধীনা অহানবা অসিগুম্বা থৌওং অসি চত্থরখি। হৌজিক্না সলমান খুরসিদনা মান্নবা আইদিয়াগা লোয়ননা হিন্দুত্বদা টার্গেট তৌদুনা এটেক চত্থরক্লি।

# পুলিস চৈরাক পীনবা তকশিনবা প্লি রিজেক্ট তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১২ (এজেন্সী):
নেসনল কেপিটেলদা চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৬ (রিপব্লিক ডে)দা লৌমীশিংনা ট্রেক্টর রেল্লি চৎখিবদা মথৌ পাঙথোকখিদে হায়বা পুলিস ওফিসলশিংবু চৈরাক ফংহন্নবা অমসুং মতমদুগী দেল্লী পুলিসকী কম্মিস্নর এস এন শ্রিভাষ্টববু মফমদগী লৌথোক্লবা তকশিনখিবা পিটিসন অমা ইরাই নুমিত্তা দেল্লী হায় কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

চীফ জষ্টিস দি এন পাতেল অমসুং জ্যোতি সিংহগী বেঞ্চ অমনা মেট্টর অদুদা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী কনামত্তা থোক্লকপা লৈতে হায়রদুনা পিটিস্নর ধনঞ্জয় জেননা থারকখিবা প্লি অদুবু রিজেক্ট তৌখিবনি। মহাক্কী প্লি অদুদা পিটিস্নরনা মতম খরগী মনুংদা থবক্তগী পোত্থাখিবা মতমদুগী পুলিস কম্মিস্নর শ্রিভাষ্টববু মফম লৌথোক্লবা অমসুং লো এন্দ ওর্দর মেন্টেন তৌবা ঙমখিদবা পুলিস ওফিসর খূদিংমক চৈরাক ফংহন্নবা তকশিনখিবনি।

প্লি অদু ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরিবা লৌমীশিংনা বেরিকেদশিং নমখায়দুনা পুলিসকা খূৎ থোক্লখিবা মতুং মথংগী নুমিৎতা ফাইল তৌখিবনি।

# প্রিন্সিপালগী ফজদবা রিমার্ককী মতাংদা থীজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে

প্রতাপগর, নভেম্বর ১২ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী প্রতাপগর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা কোলেজ অমগী প্রিন্সিপালনা ক্লাস টুয়েল্বকী মহৈরোয় অমগী ট্রান্সফর সর্টিফিকেট (টি সী)দা ফজদবা রিমার্ক ইখি হায়বা থৌদোক অমগী মতাংদা প্রোব চত্থনবা ওর্দর তৌখ্রে।

প্রিন্সিপাল অদুনা মহৈরোয় অদু ক্রিমিনেল ৱাখল চেনবনা মরম ওইদুনা মহাক্কী মমিং কোলেজদগী লৌথোক্লে হায়না ট্রান্সফর সর্টিফিকেট অদুদা পনখি হায়রি।

এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা প্রোব অমা ওর্দর তৌখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইন্সপেক্টর ওফ স্কুল (দি আই ও এস) প্রতাপগর, সর্বাদনন্দনা ফোঙদোরকপদা আই জি আর এস পোর্টেলগী খূত্থাংদা থৌদোক অদু এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা খঙলকখি।

প্রতাপগরদা জোগেশ্বর ইন্টর-কোলেজগী প্রিন্সিপালবুসু ফজদবা রিমার্ক অদুবু ইবগী মরাল শীখি। দি আই ও এসনা মখা তানা হায়, থৌদোক অদুগী মতাংদা কূপ্না থিজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে অমসুং থিজিনবগী রিপোর্ট লাক্লবা মতুংদা এক্সন লৌখৎলগনি।

মহৈরোয় অমগী ট্রান্সফর সর্টিফিকেটতা অসিগুম্বা রিমার্কশিং ইবা হায়বসি অচুম্বা থৌওং নত্তে হায়না পল্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়খি, ইস্যু অদুগা মরী লৈনবা ফেক্টশিং ওফিসলশিংনা থীজিল্লি অমসুং মতমগী মতুং ইন্না এক্সন লৌরগনি। ইস্যু অদুগী মতাংদা মহাক্না কোলেজ ওথোরিটিশিংগসু ৱারী শানরে হায়না ক্লেম তৌখি।

মহৈরোয় অদুগী ইমুংগী মীওইশিংনা হীরম অসিগা মরী লৈননা প্রিন্সিপালগা ৱারী শাননবা হোৎনবদা মহাক্না য়ারকখিদে। মহৈরোয় অদু লৈবাক অসিগী কোলেজ অমত্তদা এদমিসন তৌবা য়াররোই হায়না মহাক্না ইমুংগী মীওইশিংদা ফোঙদোরকখি।


## অৱাবা ফোঙদোকচবা



Uripok Thougal Marup কী Member ওইবিরম্বা **শ্রী ব্রহ্মচারিময়ুম ঁগৌড়বাবু শর্ম্মা**-না হৌখিবা তাং ১০/১১/২০২১ ইং, য়ুমশকৈশা নুমীৎতা খঙহৌদনা লৈখিদবদা Marup কী Member শিংনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকখি অমদি লৈখিদবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু Marup কী Member শিংনা শরুক য়াজরি।

Sd/- **Uripok Thougal Marup**
Imphal

HL-P/0618/13

## MANAGER POST
## অমগী থবক কৌজরি

Keishampat তগীনা Kwakeithel ফাওবগী মনুংদা লৈবা Offset Printing Press অমদা Manager ওইনবগীদমক অথুবগী ওইনা নুপী Candidate অমা কৌজরি। য়ূম পাল্লবী নুপী ওইগদবনি। Press কী লম্দা Experience লৈত্রবসু য়াই।

| | | |
|---|---|---|
| Age | : | **25 - 36** |
| Qualification | : | **XII and Above** |
| Salary | : | **7,000/- to 15,000/-** |
| Last Date of Apply | : | **14 Nov, 2021** |

HL-P/0624/13
For More Please Contact : 6009562780

## লান্ন-থৌরম



মালেম তাইবঙ পানবদা ঐখোয়গী ইরক্তা তিল্লম্বা **পেচিময়ূম উত্তম সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাকৈ-নাতৈ পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা চৈচৎ ৮-১১-২০২১ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ৪নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মপুনা থাবা চৈথেক চৈশিং শুরদুনা য়াইবী থৱায় মীরেলনা মপুগী লৈকোলদা লৈরাংগী লৈনম ওইনা তিনখ্রে।

লাক্লিবা চৈচৎ ১২-১১-২০২১ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ৮নি পানবা ইরাই নুমিৎতা মঙানি লৈহুন তমজরগা চৈচৎ ১৮-১১-২০২১ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ১৪নি পানবা শগোলশেন নুমিৎতা লৈখিদ্রবগী লান্ন-থৌরম থোক্লে।

নুমিৎ অসিদা লাইরমলেন্দা তিনখ্রবগী থৱায় মীরেলনা মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈজরুনবগীদমক তাইবঙ মপুগী মফমদা ঙমজবা হরাং লৈরাং খরদং মপুগী মীঙ্খৈরোল শক-শোঞ্জবগা লোয়ননা কৎচগদৌরি। থৌরম অসি লৈবাক্কী অথিংবা লৈবনা এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকচরগনি।

**থৌগল ফংজরিবী ঃ-**
**পেচিময়ূম ওংবী থোইথোই লৈমা**

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১) থোকচোম ওংবী ইবেচাওবী লৈমা | (মচে) | ১) পেচিময়ূম অশোক মৈতৈ | (মনাওনুপা) |
| ২) পেচিময়ূম ওংবী সোবীতা লৈমা | (মতৈমা) | ২) পেচিময়ূম চান্দিরাজ মৈতৈ | (মচানুপা) |
| ৩) ঙাথেম ওংবী মনোরমা লৈমা | (মচে) | ৩) পেচিময়ূম লমজিংবা মৈতৈ | (মচানুপা) |
| ৪) কৈশাম ওংবী সরমিলা লৈমা | (মচন্নুপী) | ৪) পেচিময়ূম লনচেনবা মৈতৈ | (মশুনুপা) |
| ৫) পেচিময়ূম ওংবী সনধ্যারানি লৈমা | (মনাওনুপী) | | |
| ৬) পেচিময়ূম ওংবী অশালতা লৈমা | (মমৌনুপী) | | |
| ৭) খোমদ্রাম ওংবী স্বাটি দেবী | (মচানুপী) | | |
| ৮) পেচিময়ূম য়াইস্না চনু | (মচানুপী) | | |
| ৯) পেচিময়ূম ইভালীনা চনু | (মশুনুপী) | | |

থৌরম পরেং:-
অয়ূক পূং ৮.০০ - থৌরম হৌবা
অয়ূক পূং ১১.০০ - থৌরম লোইবা।

**থৌরম মফম : খ্বাইরাকপম লৈকায় কম্যুনিটি হোল**

HL-C/191/12,13,16
**সেগা রোদ তখেল্লম্বম লৈকায়, ইম্ফাল।**

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST (SOUTH), MAYANG IMPHAL**
**Ref. Mutation Case No. 162/SDC/I.W. (S) of 2021**

1. Secretary Sekmaijin Thongam Devt. Association of Thongam .48 Acres
2. Thokchom Bishorjit Singh S/o (L) Yaima Singh of Thongam .07 Acres
3. Nongmaithem Okendrajit Singh S/o (L) Ranjit of Thongam .17 Acres
4. Thokchom Angojao Singh S/o (L) Yaima Singh of Thongam .36 Acres

- Petitioners

-Vs-

Late Thokchom Yaima Singh S/o (L) Angahal Singh of Thongam
- OPP

**NOTICE**

Mayang Imphal, the 2/11/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি Under Patta No. 21 (N) Dag No. 28 গী area 1.08 একর চাউবা Ingkhol ক্লাস, Village No. 71-Thongam, অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত্যু ওইখ্রে। মরমদুনা হায়রিবা এরিয়া 1.08 একর অসি Petitioner ঐখোয়গী/ঐহাক্কী মিংদা ওনশিনবিরো হায়দুনা SDC/IW (S) Mayang Imphal গী Court তা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি, খবর অসিনা হেক ফোঙবা নুমিৎতী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/IW (S) Mayang Imphal গী Court তা অইবা চেদা Complaint ওইনা য়েৎপীরগদবনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি Case মখা চত্তরগনি, মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (South), Mayang Imphal

HL-P/9558/12

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST (SOUTH), MAYANG IMPHAL**
**Ref. Mutation Case No. 161/SDC/I.W. (S) of 2021**

1. Urikhinbam Ramesh Singh S/o (L) Koratombi Singh of Thongam .32 Acres
2. Shagolshem Jawan Singh S/o Mangi Singh of Thongam (.08)
3. Shagolshem Albert S/o Mangi Singh of Thongam (.08)
4. Urikhinbam Malemnganba S/o (L) Mangobi Singh of Thongam (.08)
5. Urikhinbam Naobi Singh S/o - do - of - do - (.08)

- Petitioners

-Vs-

Late Moirangthem Mukta Devi D/o (L) Chaoba of Thongam
- OPP

**NOTICE**

Mayang Imphal, the 2nd Nov, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি Under Patta No. 40 (N) Dag No. 39 গী area .64 একর চাউবা Ingkhol ক্লাস, Village No. 71-Thongam, অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত্যু ওইখ্রে। মরমদুনা হায়রিবা এরিয়া .64 একর অসি Petitioner ঐখোয়গী/ঐহাক্কী মিংদা ওনশিনবিরো হায়দুনা SDC/IW (S) Mayang Imphal গী Court তা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি, খবর অসিনা হেক ফোঙবা নুমিৎতী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/IW (S) Mayang Imphal গী Court তা অইবা চেদা Complaint ওইনা য়েৎপীরগদবনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি Case মখা চত্তরগনি, মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (South), Mayang Imphal

HL-P/9557/12